# পাকিস্থান্দা মনুং অমসুং মপান্দগী শিংনরকপা কয়া মায়োক্নরি হায়না ইম্রান খান ফোঙদোকখ্রে



রৱালপিন্দি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী)ঃ
পাকিস্থানগী নৌনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা ইম্রান খাননা রৱালপিন্দিদা লৈবা জেনরেল হেদ ক্বার্টর (জি এইচ ক্যু) দা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সতা মরুওইবা ৱাফম কয়া খঙহনখ্রে।

লুচিংবা অদুনা হায়, পাকিস্থান্দা হৌজিক মপান অমসুং লৈবাক মনুংগী ওইবা শিংনরকপা কয়া লৈরি। মদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মতেং পাংগদবনি হায়খি। লুচিংবা অদুনা রৱালপিন্দিদা থুংলবদা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফকী জেনরেল কমর জাবেদ বাজৱানা তরাম্না ওকখি। লোয়ননা গার্দ ওফ ওনর পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মদুদা নত্তনা লুচিংবা অদুনা য়াদগর- ঈ-সুহাদাদা চৎতুনা লৈখিদ্রবা থৌনা ফবা লান্মীশিংগী খুৎমদা লৈ কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়না টাউন ন্যুজনা ফোঙদোরক্লি।

পাকিস্থান লান্মীগী মীদিয়া ৱিং ইন্টর সার্ভিস পব্লিক রিলেসননা ফোঙদোরকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা দিফেন্সকী লমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর, ফোরেন এফেয়রস মিনিষ্টর, ফাইনান্স, ইনফোর্মেসন অমসুং ইন্টরিয়র মিনিষ্টরশিংসু লোয়নরকখি হায়রি।

লুচিংবা অদুনা জেনরেল হেদ ক্বার্টরদা ঙসি থুংলবগা লোয়ননা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফরবা লান্মীশিংগীদমক মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা চাউথোকচৈ। জেনরেল হেদ ক্বার্টরগী তঙাইফদবা কয়া লৈ। লৈবাক অদুদা লৈবা শিংনরকপশিং থেংনন-বগীদমক ইনষ্টিট্যুসন খুদিংমক্তা মতেং পীনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

লান্মীগীসু লৈঙাক্তা মান্নবা থৌশিল অমা লৈরিবনি। লান্মীনা সিবিল এফেয়রসতা খুৎ থিংজিল্লকপগী মহুৎ তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। লান্মীনা লৈঙাক্কী ইনষ্টিট্যুসনগা মান্ননা লৈবাক্কীদমক থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

আর্মদ ফোর্সকী লুচিংবা বাজৱানা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টরনা জেনরেল হেদ ক্বার্টরদা লাক্তুনা য়েংশিল্লবদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অদু অফবা অমসুং লৈবাক্কী ওইনা ঙাক শেনগী লমদা কখোক্তুনা থবক তৌরিবা লান্মীশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা অমনি হায়খি।

# নিকারাগুৱ্রাদগী য়ুনাইটেদ নেসন্সকী টিম চৎখিনবা প্রসিদেন্ট ওর্টেগানা খঙহনখ্রে



মনাগুৱা, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী)ঃ
নিকারাগুৱাগী প্রসিদেন্ট দানিয়ল ওর্টেগোনা য়ুনাইটেদ নেসন্স কম্মিসন ফোর হ্যুমেন রাইটসকী কাঙবু লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রে।

নিকারাগুৱাদা লৈরিবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না লৈঙাক্কী মায়োক্তা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনৈ হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকখিবা নোংমগী মতুংদা প্রসিদেন্ট দানিয়ল ওর্টেগোনা য়ু এনগী টিম অদু লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখিবনি হায়না পাউজী লীখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এন মিসনগী লুচিংবা গিল্লরমো ফর্নান্দেজনা হায়, মখোয়গী টিম অদুনা লৈবাক অদুদা লৈত্রবসু ওইরিবা ফীভমশিং অদু মখা তানা য়েংশিন-খিগনি। লৈবাক অদুদা হন্দক থোকখিবা পোলিটিক্সকী ওইবা তং-তাদবা ফীভম অদুনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০০ গী পুন্সি মাঙখ্রে। পাউ অসিগী মতুংইন্না য়ু এন হায় কম্মিস্নার ফোর হ্যুমেন রাইটসনা খোঙজং চঙশিল্লকপশিংগী মথক্তা চথরিবা মীওৎ-মীনৈশিং অদু লেপ্পনবা খঙহনখি। নাকল অমরোমদা, লৈঙাক্কী মতুংইন্নদি খোঙজং অদু গেং খুৎপুশিংনা ইনশিন্দুনা চথহল্লকখিবনি হায়না মরাল শিরি। য়ু এনগী টিম অদুনা মীওৎ মীনৈ নংখ্রবা অমসুং লমদম অদুদা লৈবা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংগা উনদুনা ৱারী শানখিবা লৈখ্রে। করিগীদমক য়ু এনগী টিম অদুবু নিকারাগুৱা থাদোক্তুনা চৎননবা খঙহল্লকখিবনো হায়বদু অরুবা ৱাফম অমা ওইরি। লৈঙাক্না হৌজিক লমদম অদুদা থোক্লিবা খুদোংথিবা থৌদোকশিং উশিন্নদনা লৈরি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, নিকারাগুৱা লৈঙাক্না হায়, খোঙজং চঙশিল্লকপশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদুগী মতাংদদি য়ু এননা উশিন্নদে। নিকারাগুৱাগী প্রসিদেন্ট ওর্টেগোনা য়ু এন টিম অদুবু লৈবাক অদুদা খোঙজং চঙশিল্লিবশিং অমসুং লৈঙাক্না ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবা ইনভাইট তৌখিবনি। অদুম ওইনমক য়ু এনগী টিম অদুনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি হায়না মরাল শিখ্রে। লুচিংবা অদুনা হায়, য়ু এন টিম অদুনা কা হেন্না থবক তৌদুনা নিকারাগুৱা নেসনলগী মনিং মখা তম্বদা খুৎ থিংজিল্লক্লি হায়না মরাল শিখ্রে।

## রসিয়াগী উটয়র জেট লেন্দিং তৌবদা মৈ হৌদুনা চাকখ্রে

মোস্কো, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):
রসিয়াগী মী পুনবা উটয়র জেট অমা সোচি সিটিদা লৈবা এয়রপোর্টতা লেন্দিং তৌনবা হোৎনবদা রন ৱেদগী হেন্দোক্তুনা তাশিনখিবদা মৈ হৌদুনা চাকখ্রে। লোয়ননা মীওই ১৮ অশোক অপন নংখ্রে।

বোয়িং ৭৩৭-৮০০ অদু উটয়র এয়র লাইননা ওপরেট তৌবনি। ক্রু মেম্বর তরুক য়াওনা মীওই ১৭০ রোম পুদুনা প্লেন অদু মোস্কোদগী পাইখিবনি। প্লেন অদুনা সোচি এয়রপোর্টতা লেন্দিং তৌনবা হোৎনবদা শোয়বদগী রন ৱেদগী হেন্দোক্তুনা তাশিনখিবদা মৈ হৌদুনা চাকখি। প্লেন অদুদা তোংলকখিবা মীওই কয়া মৈ চাকপগী থৌদোক অমসুং কার্বোন মোনোওক্সাইদ গ্যাস থোরকপনা মরম ওইরগা অশোক অপন নংখি হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

সোচি এয়রপোর্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মৈ চাকখ্রবা প্লেন অদু কন্ননবা হোৎনবদা এয়রপোর্ট অদুদা থবক তৌবা মীওই অমা হার্ট এটেক তৌরকপদগী অরুবা ফীভমদা লায়কন্নখি। এরোপ্লেন অদু ঙসি অয়ুক এয়রপোর্ট অদুদা লেন্দিং তৌনবা হোৎনবদা অকনবা নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইরগা রন ৱেদগী নাম্থোক্তুনা তাশিনখিবনি। প্লেন অদুগী মশাশিং চাউনা অমাঙ অতা থোকখ্রে। লোয়ননা ইঞ্জিনশিং মৈ হৌদুনা চাকখি হায়রি।

## নুপী ১না মোবাইল ফোন লৈননবগীদমক মচা য়োন্থোকখ্রে

বেনিন, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):
নাইজেরিয়াগী ইদো ষ্টেটতা লৈবা নুপী অমনা মহাক্কী থা তরুক খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমবু সেল ফোন লৈননবগীদমক য়োন্থোকখ্রে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মচা য়োনখিবনি হায়বী মিরাকৌ জোন্সন কৌবী চহী ২৩ রোম শুরবী নুপী অমা লোকেল পুলিসনা ফারে হায়রি। নুপী অদুনা মহাক্না হেক পোকচবা অঙাং অদুবু নাইজেরিয়াগী শেনয়েক্তা ২,০০,০০০ লৌদুনা য়োন্থোকখিবনি হায়রি।

পুলিস কম্মিস্নারগী টিম অমনা থৌদোক অদুবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থিগৎপগী থবক চথখ্রে। নুপী অদু ৱাহং পাউহং চথবদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মহাক্না অনম্বা ষ্টেটতা লৈবা ওর্ফান হোম অমদা মহাক্কী মরুপ অমগী মতেংগা লোয়ননা য়োন্থোকখিবনি। ওনিটসা হায়রিবী মহাক্কী মমান্নবী অদু হোম অদুদা থবক তৌবনি হায়রি।





জোন্সননা মখা তানা ফোঙদোরক-খিবদা, মহাক্কী মমান্নবী অদুনা মঙোন দা ইথিল কয়া পীরকখি। মহাক্কী মপুরোইবগী মোটোর সাইকল অমা লৈবা য়ারে। মদুদা নত্তনা লল্লোন-ইতিক্কী থৌশিল অমা পায়খৎপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরগনি। মদুগীদমক অঙাং অদু য়োন্থোক্নবা খঙহল্লকখি হায়রি। জোন্সনগী মপুরোইবনা ইমুংগী তঙাইফদবা অমসুং অঙাং অদু য়েংশিনবা ঙমদবগী ফীভম লৈবনা মরম ওইরগা মহাক্না পোকচবা অঙাং অদু য়োন্থোকখিবনি।

তশেংনমক্তি মহাক্না সেল ফোন অমা লৈবা পামখিবা নত্তে। অদুম ওইনমক মহাক্কী মমান্নবী অদুনা অঙাং য়োনবগী থৌওং অদু চথনবা অকনবা ইথিল পীরকখি। ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রদা মতেং ওইগনি হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মহাক্কী পূক্নিং ওলহনখিবনি হায়রি। নুপী অদুগী মপুরোইবা জোন্সন ওমোভুওকপোনা হায়, মহাক্কী নুপীনা অঙাং য়োনবগী ৱাফম পুখৎলকখিবা অদুদা য়াখিদে হায়রি।

## জর্মন রিফাইনরি পোকখায়বদা মীওই ৮ শোক্লে, ১,৮০০ থংদোকখ্রে

বর্লিন, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):
জর্মনগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ওইল রিফাইনরি অমদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৮ অশোক-অপন নংখ্রে। অদুগা রিফাইনরি অদুগী অকোয়বদা লৈবা য়ুমশিংদা লৈরম্বা মীওই ১৮০০ শাফঙদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে হায়না লোকেল মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

জর্মনগী মুনিসতগী কিলোমিটর ৮০ রোম চৎলগা লৈবা ইগোল ষ্টেটতা লৈবা ওইল রিফাইনরি অদুদা লোকেল টাইমগী পুং ৫.৩০ রোম তাবদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ফায়র ফাইটর ১০০ রোম হেনবনা খুদোংথিবা নংখ্রবা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মৈ মুথৎনবা হোৎনখি। পাউ অসিগী মতুংইন্না রিফাইনরি অদুদা লাকশিনবা ঙমদনা চাক্লিবা মৈ অদুনা মীশি-মীনা হেন্না থোকহন্দনবগীদমক অকোয়বা লৈবা মীওই ১৮০০ শাফঙদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে। করিগুম্বা রিফাইনরি অদু মপুং ফানা পোকখা-য়রকপা থোক্লবদি কিলোমিটর কয়াগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিং শোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;**
**IMPHAL WEST - KONTHOUJAM**

***Ref:- Mut. Case No. 737/SDC/IW(K) of 2018***

Shri Khwairakpam Tomba Singh S/o (L) Kh. Modhu Singh of Sagoltongba Makha Leikai.

*-Petitioner*

-Vrs-

Late Co-Pattadar No. (2) Khwairakpam (N) Konthoujam (ongbi) Inakhunbi Devi W/o K. Ibochou Singh of Sagoltongba Makha Leikai.
1. Co-No. (1) Oinam Manglem Singh S/o Janaki Singh of Sagoltongba Makha Leikai.

*-O.P. Parties*

**/NOTICE**


01/09/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮৫-লানশোনবীগী পাট্টা নম্বর ২৭২ (অরিবা), ৭৩ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১২৩৬ অমসুং ১৩০৭ কী পোইন্ট ০.৩১ একর এংস অমসুং ০.৫৭ একর এংস কী ইশ্মোল মনুংদগী পোইন্ট ০.৩১ একর চাওবা ইশ্মোল লম অসিগী কো: পাট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৮/০৯/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
**Konthoujam**

*HL-P/2082/2*

## /অশোক্ কুমারবু থাগৎচরি



Ashok Kumar

ঐগী অনাবা অসি **Rheumatoid Arthritis** নি। চহী অনী শুরবা হকচাংগী অচৌবা পোৎলুম লায়না অমনি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা তাং-তাং পোমথোকপা, ঙকশম লেং-ওৎপা য়াদবা, খুৎ পোমথোকপা অমসুং খুৎ চিকপা অসিনচিংবনি। অশুক শাংবা মতমসে য়াম্না ৱানা খাংখি অদুবু **কোন্থৌজম অশোক্ কুমার**-না মহাক্কী ক্লিনিক্তা শুপ্ন তগী নুমিৎ তরামঙানিদা লায়য়েংবিরগা ঐগী অৱাবা পুম্নমক কোকহনবীরে। মসিগীদমক ঐনা পাউচেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ুকো।

***Treatment Centre :***
**Ashok Kumar Health Care**
**Thangapat Mapal**
**Near 'Triumph Nawa Sindam Sanglen', Imphal East**
**Contact: ☎ 9612988625**
***Consultation Time :*** **5 A.M to 11 A.M.**

*Sd/-*
**Thokchom Monika Devi**
**Sagolband**

*HL-P/2081/2*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR:**
**IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 834/SDC/IW-L/2018***

Moirangthem Shyama Devi D/o (L) Kanhai Singh of Lambal Mayai Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

1. Late Moirangthem Nganbi Devi D/o (L) Kanhai Singh of Lambal Mayai Leikai.
2. Late Moirangthem Mani Devi D/o (L) Kanhai Singh of Lambal Mayai Leikai.

*-O.P. Parties*

**/NOTICE**

The 31/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার ১) মোইরাংথেম ঙানবী দেবী, পীং মৃ: কহ্নাই সিংহ, সাং লম্বাল ময়াই লৈকাই অমসুং মৃ: পাট্টাদার মোইরাংথেম মনি দেবী পীং মৃ: কহ্নাই সিংহ সাং লম্বাল ময়াই লৈকাই অনীগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৪-লম্বালগী অনৌবা পাট্টা নং ১৪৬/২৯৭, দাগ নং ২০৮/৫০৫ গী এরিয়া ০.০৮ চাওবা ইশ্মোল অসিগী মনুংদগী মৃ: পাট্টাদার অনীগী শরুক ০.০৫ চাওবা ইশ্মোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমীংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইশ্মোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector, IW: Lamsang

*HL-P/5313/2*

## /খঙহঞ্জবা

তাং ৩১/০৮/২০১৮ ইং

Highways Transporter Welfare Association, Kwakeithel Moirangpurel Leikai, Imphal West, P.O. & P.S. Imphal, Manipur কৌবা Association অমা Manipur Societies Registration Act 1989 গী মখাদা Register তৌজরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বশিংনা য়াওবিনিংবা অমদি য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২০/০৯/২০১৮ ইং ফাওবদা মথক্তা পীজরিবা লৈফম অসিদা লাক্লগা হায়বিরবা য়াগনি।

*হায়জরিবা ঃ* **Thongam Boboy Singh**
***Secretary***
**☎ 7005283195**

*HL-P/2074/2*

## য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফাল আই. টি. আইদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোরগী) গী হিদাক চাবদগী ঐগী ঈশিং মরীদা লৈরম্বা নুঙ অমা নুমিৎ মঙানিদা তারক্লে। মসিগীদমক্তা ওজা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) বু পাউচেগী থোংদা নুংঙাইজবা ফোঙদোকচরি।

*Sd/-* **Sairem Sashikumar**
Yumnam Patlou

*HL-P/5306/2*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,**
**NINGTHOUKHONG**

***Ref:- Mut. Case No. 502/SDC/NTK/2018***

R.K. Radhakishwor Singh S/o (L) R.K. Irabotsana Singh of Ningthoukhong Ward No. 3.

*... Petitioner*

-Vs-

Late R.K. Irabotsana Singh S/o (L) R.K. Angangyaima Singh of Ningthoukhong Kha.

*... Opponent*

**/NOTICE**

Ningthoukhong, the 1st Sep., 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 566 (O) 29 (N) C.S. Dag No. 1199 an area 0.76 acre of Phourel Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১১/০৯/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/5316/2*

## পাইলসকী ওজা অব্দুল হকপু থাগৎচরি

ওপরেসন তৌগনি খনবদা কিদুনা লৈরিঙৈদা পাউচেদা শৌজ নাম্থবা, পেরে থোকপসি **কবিরাজ অব্দুল হক**-কী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ফৈ তাজবদগী ঐহাকসু ওজাগা তান্নজবদগী শৌজ তাবা, পেরো থোকপা মপুং ফানা ফজরে অদুগা খোঙ হাম্বা চাং নাইরে। ঈ তারম্বা, হাক্কৎচবা, চক-চক থিনবা, গেষ্ট্রিকসু মপুং ফানা ফজরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

***ওজাগী লাইয়েংফমদি ঃ ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং***

**কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬ / ৮৭৯৪৪২৯৬৮১**

***থাগৎচরিবা :*** **O. RAJMOHON**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;**
**IMPHAL WEST - KONTHOUJAM**

***Ref:- Mut. Case No. 736/SDC/IW(K) of 2018***

Shri Khwairakpam Tomba Singh S/o (L) Kh. Modhu Singh of Sagoltongba.

*-Petitioner*

-Vrs-

Late Shri Khwairakpam Ningol Konthoujam ongbi Inakhunbi Devi W/o Ibochouba Singh of Sagoltongba Makha Leikai.

*-O.P. Party*

**/NOTICE**

01/09/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮৫-লানশোনবীগী পাট্টা নম্বর ২৩৭ (অরিবা), ৮২/৪২৬ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১২৩৫ গী পোইন্ট ০.১৫ একর চাওবা ইশ্মোল অসিগী কো: পাট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৮/০৯/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
**Konthoujam**

*HL-P/2082/2*

## /খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ মচিৎ হাম্বা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু কাওঙল্লরোই



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা শৌরগা তপ্না ইনশিনবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎলকপদা কপ্পাক মরি নারগা কোক ঙাওবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, অমাঙথোংগী ময়াদা মতুম অমা ইনথোক্লগা লৈবা, শা-ঙা, থাও, মোরোক চারগনা খোঙ হাম্বা য়াদবা অমদি পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা ঈ তাবা হেনবা, পুকচেপ্পা নাবা, হকচাং শুনিং চৎনিংবা পোক্তবা, পোখারগতা লৈনিংবা, লৱাই অমদি খোঙয়া শাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

***ওজাগী লায়েংফমশিংদি :***
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

***থাগৎচরিবা :*** **CH. LUCHINGBA**
*Nambol Bazar*

*HL-P/2041/2*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR:**
**IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 836/SDC/IW-L/2018***

Moirangthem Inao Singh S/o (L) Komol Singh of Awang Sekmai Awang Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Moirangthem Komol Singh S/o (L) Ratan Singh of Awang Sekmai Awang Leikai.

*-O.P. Party*

**/NOTICE**

The 01/09/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার মোইরাংথেম কোমোল সিংহ, পীং মৃ: রতন সিংহ, সাং অৱাং সেকমাই অৱাং লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৮৪, দাগ নং ১২৬৩ অমসুং এরিয়ানা ১.০৮ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector, IW: Lamsang

*HL-P/5313/2*

**BUMPER STOCK CLEARANCE SALE**

1. OLD WHITE SHIRTS HALF & FULL (ALL SIZES) – ₹150 only
2. CHILDRENS ITEMS:- JEAN HALF PANT TOPS, SHIRTS LONG PANTS, FROCKS, MISC. MIX VARIETY – ₹150 only
3. GENTS SHIRTS FULL & HALF (STAINED & IND QUALITY) – ₹150 only
4. GENTS KURTA HALF & FULL (STAINED & IND QUALITY) – ₹150 only
5. GENTS TROUSERS MIX. VARIETY (WAIST 28 & 30 ONLY) – ₹200 only
6. UNIFORM PENNAFROCK'S & TROUSERS (OLD STOCK CLEARANCE) – ₹150 only
7. CHILDREN SOCKS MIX. SIZE & COL. (OLD STOCK CLEARANCE) – ₹10 only

"OFFER VALID TILL THE STOCK LAST"
HURRY ! SELECT THE BEST ONE FIRST


*VENUE :-* **BRIGHTWAYS**
1ST FLOOR, OPP. PUNJAB & SIND BANK
DHARAMSHALA ROAD, IMPHAL-1

*HL-B/4799/19/8-16/9(Alt)*




HL-B/4793/12/8-10/9(Alt.)

## /দশা য়েংজরি



মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্নবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্নবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইশ্মোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশেম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

*মীয়ামগী:* জ্যোতিষ মহাঋষি
**JM Dr Ph. Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

*HL-P/5205/10/8-9/9*